৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ১২শুবা মেচতা এম পি এস সী অমসুং জে এস ৱাই সী কাংপোকপী লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। জে এস ৱাই সী কাংপোকপীগী শান্নরোয়শিং নিংথিনা বোল পায়দুনা শান্নরকখি। অদুবু খঙহৌদনা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ঙামখোলেন জর্সি নম্বর ২৪না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

জে এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী গোল ইক্বেলাইজ ওইগদবা এটেক কয়া চথরক্লবসু কান্নবা ফংখিদে। অদুবু লেপ্তুনা চথরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় কাইওখোকাম জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা অমুক লৈহনখি।

মখা তানা জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা হেন্না ফজনা শান্নরকপনা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় কোইওখোকাম জর্সি নম্বর ৯না মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল অমুক থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এম পি এস সীনা শোথরিবা পাঞ্জল অদুহন্দোক্লবা এটেক কয়া চথরকখি। শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৱিসিবো জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ২-২দা অমুক মান্নহনখি। শুপ্নগী মিনট ৩খক কান্নরগা মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা জে এস ৱাই সী কাংপোকপীগী অহুমশুবা পাঞ্জল পাওগাইথাং জর্সি নম্বর ১৬না চন্দুনা ৩-২দা অমুক লৈহনখি।

মখা তানা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু ফুকৎনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা শোথরিবা পাঞ্জল অদুহন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখি।

ঙসিগী মেচ অসি মেচ কম্মিস্নর এস জেমসকুমার, রেফরি এসেসর এল য়াইমা, রেফরি এস ঐচ সুরেশ, এস ওনিল, টি ঐচ কর্নজিৎকী মখাদা শান্নখি। হয়েংগী মেচ অয়ূক পুং ১১.৪৫ তাবা মতমদা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং অমোফা মোইরাং লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদা ৱাই পি ঐচ য়ুললাম্বুং মখোং অমসুং নাকো নম্বুল মপাল লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# নপসা খা ইম্ফালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নপসা খা ইম্ফালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অম্পয়র কেনজিৎ অমসুং রাশিকুমারনা ওইখি। মেচ অসিদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা ওভর ২০.১ মায়োক্লবদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৪৩ লৌবা ঙমখি। মোদেল ক্লবকী মায়কৈদগী রুপচন্দ্রনা বোল ১৩ মায়োক্লবদা রন ৬, সন্তোশনা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ৬ অদুগা গৌরচন্দ্রনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা নপসা খা ইম্ফালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা থমখিবা টার্গেট ৪৪ অদু ওভর ১০.৫ মায়োক্লবদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৪৬ লৌদুনা য়াম্না লায়না থোইবা ঙমখি। নপসাগী মায়কৈদগী বেট্টিং তৌবদা সোমোরেন্দ্রোনা বোল ২৫ মায়োক্লবদা রন ২০, বিপিননা বোল ৬ মায়োক্লবদা রন ৮ অমদি কেশোরজিৎনা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী মায়কৈদগী দোগ্লাসনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১, সরতচন্দ্রনা ওভর ১.৫ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা নপসা খা ইম্ফালগী শান্নরোয় দোরেননা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা তাখি।

১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ১৮গী অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদা মোদেল ক্লব অমসুং চেম্প শান্নগনি।

১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# পি এফ সীনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে



জিরিবাম, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি এফ সীনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিদা ঈচেল ক্লব দিবোংনা টোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি। অদুগা পি এফ সীনা মায়কৈখনখি। পি এফ সীগী শান্নরোয় পাওলেনসাং জর্সি নম্বর ১৭না মেচকী ৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পি এফ সীগী একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

মখা তানা পি এফ সীনা চথরকখিবা এটেক অমদা মেচকী ২০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় পাওলেনলাল জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা অমুক লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঈচেল ক্লব দিবোংগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। ঈচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোয় ন্যুটোন জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পি এফ সীদগী পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ১-২দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ঈচেল ক্লব দিবোংনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংদনা মেচ অদু পি এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা জোএল ভারতেনা সেন্টর রেফরি, অদুগা কে ঐচ নিলকমল অমদি জোএল চোংলোইনা এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

১৭শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা মথংগী মেচতা জে ৱাই সী অমদি ঈচেল ক্লব দিবোং লম্বা তৌনরগনি।

এ দি সী চান্দেল ফর্ষ্ট দিভিজন ২০১৯

# লিৱা খুল্লেন ৱাই সীনা লিৱা সারৈ ৱাই সীবু পাঞ্জল ১০-৯দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা লিৱা সারৈ গ্রাউন্দদা চথরকপা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা লিৱা খুল্লেন ৱাই সীনা লিৱা সারৈ ৱাই সীবু পাঞ্জল ১০-৯দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরকপা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লিৱা সারৈ ৱাই সী অমসুং লিৱা খুল্লেন ৱাই সী লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা লিৱা সারৈ ৱাই সীগী শান্নরোয় জয়ফাশিং জর্সি নম্বর ১১না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা লিৱা খুল্লেন ৱাই সীগী শান্নরোয় টি ঐচ জোন জর্সি নম্বর ৯না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-১দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা তক্লদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা লিৱা খুল্লেন ৱাই সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় জেসে জর্সি নম্বর ১৭না মেচকী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-১দা অমুক লৈহনখি। মিনট খরা কান্নরগা লিৱা সারৈ ৱাই সীগী শান্নরোয় মাইকেল জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অমা অমুক হাপচিন্দুনা মেচ অদু ২-২দা লৈহনখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদবদগী মেচ অদু পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীনা কাওনখিবা পেনালটি অদুদা লিৱা খুলেন ৱাই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ অদুগা লিৱা সারৈ য়ুথ ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৭ চনখি। মেচ অসি লিৱা খুল্লেন ৱাই সীনা লিৱা সারৈ ৱাই সীবু পাঞ্জল ১০-৯দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

## গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা জেটলি ওকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(ঐচএন এস): ওদিষাগী ঝারসুগুদা নবেম্বর ২৯দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬শুবা আই এস কে এফ নেসনল ওপন করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা লাইশ্রম জেটলি ঙসি দিভাইন লাইফ ক্লব হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়গী ভোলুন্টিয়রশিংনা শিন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

লাইশ্রম জেটলি হৈরোক পার্ট টুদা লৈবা লাইশ্রম প্রেমকুমার এলিয়জ অমুচৌ অমদি লাইশ্রম ওংবী নাওচাগী অহানবা মচানুপা অহলনি। লাইশ্রম জেটলি হৈরোক পার্ট টুদগী নিংথৌজম রবি অমদি এল কোরা অনীগী গাইদেন্স মখাদা অমদি হৌজিক হৌজিক্লা এস এ জি খুমন লম্পাক্কী কোচ সোইবম চন্দ্রিমা চনুগী মখাদা শান্নরি।

ওকপগী থৌরম অদুদা জেটলিগী হান্নগী কোচ এল কোরানা ফোঙদোকখিবদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্ল া মাঙথরক্লিবা সোসাইটি অসিদগী কন্নবা জেটলিগুম্না শান্নদুনা অফবা শান্নরোয়শিং ওইহন্নীংবগী অপান্বা তিল্লিবা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

## নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা কোচেস লোগ বুক পীশিন্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): এ আই এফ এফ 'দি' লাইসেন্স কোর্স পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা কোচেস লোগ বুক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা পীশিনগদবনি। পীশিনদবা কেন্দিদেটশিং মখোয়গী লাইসেন্স অদু এ আই এফ এফকী মতুংইন্না ইনভেলিদ ওইরগনি হায়না অস্ফাগী এসিস্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৭তগী হৌদুনা ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১০না শরুক য়াগনি। টিমশিং অদুদি সোসল ৱার্কর কোংগ্রেস, পাৎশোই মখা য়াইফ লূপ, রুরেল এরিয়া ফুটবোল একাদেমি, ইষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব, ক্বাসিফাই য়ুথস ভোলুন্টিয়র ওর্গনাইজেসন, ইম্ফাল ফুটবোল ক্লব, নেরোকা এফ সী, ফুটবোল ফোর চেলেঞ্জ একাদেমি, আইদিএল এফ সী অমদি শুগ্নু ফুটবোল ক্লবনি।

কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

# কে এস দি সী খোমিদোক অমসুং এস দব্লিয়ু সী খোংমন দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৱাই দব্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু সী খোংমন অমসুং কে এস দি সী খোমিদোক পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে এস দি সী খোমিদোক অমসুং এস দব্লিয়ু সী খোংমন লম্বা তৌনখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। মেচকী ৪০শুবা মিনটতা কে এস দি সী খোমিদোক্কী মায়কৈদগী ৱাসিম খান জর্সি নম্বর ২৪না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা লৈহন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস দব্লিয়ু সী খোংমনগী শান্নরোয় বেকখাম জর্সি নম্বর ২৩না মেচকী ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা প্রেসর পীনদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা এটেকশিং চথনরবসু টিম অনীমক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈনখিবনা কান্নবা ফংদনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঙসিগী মেচ অসি এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱাই হেমন্ত, ৱাই ইঙোবী অমসুং মেচ কম্মিস্নর কে মোসেসকী মখাদা শান্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এস এস সী অমসুং এফ সী ইম্ফাল সিটি লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

অহানবা ওদেসিয়স কপ ২০১৯

# সী ৱাই দি ওনা দেন্নি এফ সীবু, এ জি এন নিংথৌনাইনা দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেমবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ নিংথৌনাইনা শীন্দুনা নবেম্বর ২৫দগী য়াইরিপোক নিংথৌনাই শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা ওদেসিয়ন কপ সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা সী ৱাই দি ওনা দেন্নি এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা, এ জি এন নিংথৌনাইনা দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেমবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সী ৱাই দি ও অমসুং দেন্নি এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীমক্না লম্বা চানা শান্নরকখি। খঙহৌদনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা সী ৱাই দি ওগী শান্নরোয় এম দি নৱাজ জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। দেন্নি এফ সীগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু ফুকৎনবা অকনবা মওংদা এটেক চথরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দেন্নি এফ সীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু সী ৱাই দি ওগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদবনা মেচ অদু সী ৱাই দি ওগী পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ জি এন নিংথৌনাই অমসুং দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা এ জি এন নিংথৌনাইনা দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেমবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

এ জি এন নিংথৌনাইগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অনাস (তোম্পোক) জর্সি নম্বর ১০ অমদি একা জর্সি নম্বর ৭না শান্নবগী ১৬শুবা অমদি ৩৬শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এন জর্মন জর্সি নম্বর ৭না শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চনখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com